পাকিস্তানদা যু এসনা পীগদবা দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ গী মতেং লান্মীনা ককথৎখ্রে

SHAME
ON YOU
USA
...IFA-E-PAKISTAN COUNCIL KARACHI
وطن

ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ

পাকিস্তান্না লৈবাক অদুবু টেররিষ্টশিংগী খ্বায়দগী শাফবা মফম অমা ওইহল্লে হায়না যু এসনা মরাল শীখ্রে।

যু এসনা পাকিস্তানদা পীগদবা দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ কী শেনফম যু এস মিলিটরিনা ককথৎখ্রে। মদু ইস্লামাবাদনা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎপা ঙমদে হায়না মরাল শীবগা লোয়নননা লৌখৎলকখিবা খোঙথাং অমনি। যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মমাংদা ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তান্না যু এসতগী দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী মতেং লৌননবা হোৎনবদা মীনম্বগী থৌওংশিং চথরে।

পেন্তাগোনগী ৱাঙাংলোই লেফটিনেন্ট কোলোনেল কোন ফুলকনরনা ফোঙদোকখিবদা, যু এস মিলিটরিনা অথু অকায়গী ওইবা ফিভমশিং য়েংলগা শেলগী মতেং পীননবা হোৎনবনি। যু এস কোংগ্রেসনা লান্মীনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অদু অয়াবা পীবগী তঙায়ফদবা লৈ হায়রি।

যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা পাকিস্তানবু মরুওইবা এল্লাই অমনি হায়না লৌরিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাক অদুনা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিং মতম চানা তৌদ্রে। হাকানি নেকৱার্ক অমসুং অফঘান তালিবানশিং য়াওনা মখোয়গী লৈমায়দগী টেররিষ্টশিং মথৌ তৌহন্দনবা হায়খিবা ৱাফমশিং থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রি হায়না মরাল শীখ্রে।

পাকিস্তানদা লৈরিবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা মীৎয়েং চঙখিগনি হায়নসু কোলোনেল ফুলকনরনা ফোঙদোকখ্রে। পাকিস্তান্না যু এসকী মথক্তা মীনম্বগী থৌওং কয়া চথরি। টেররিষ্টশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রবসু থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রে হায়খি। যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পেওনা পাকিস্তানদা চৎতুনা লৈবাক অদুগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রাম খানগা উননবা শেম শারি।

চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱ্যারি থাদগী হৌনা যু এস লৈঙাক্লা পাকিস্তানগী সিক্যুরিটিদা পীগদবা মতেংশিং ককথরগনি হায়না লাউথোকখিবসু লৈখ্রবনি। পাকিস্তান হৌজিক টেররিষ্ট নৎত্রগা মিলিটেন্টশিংগী খ্বায়দগী শাফবা মফম অমা ওইনা লৈরি। লৈবাক অদুগী ঙমখৈ মনুংদগী অফঘানিষ্টান্নচিংবা লৈবাকশিংদা ঙমখৈ লান্না টেররিষ্টশিংনা এটেক কয়া চথরি।

অদুমওইনমক ৱাফম অদু ইস্লামাবাদনদি য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। ফিভম কয়া য়েংলগা পাকিস্তান মিলিটরিদা যু এসনা পীগদবা দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ গী মতেং অদু ককথৎলে হায়না লাউথোরকখিবনি।

যু এসনা হায়, পাকিস্তানদা শেল্টং পীবগী থৌশিলশিং লেপ্পগনি। যু এননা পেলেষ্টাইন রিফ্যুজি এজেন্সীশিংদা মতেং পীবসু লেপকদ্রবনি। পাকিস্তানদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংদা পীরিবা মতেং অদুনা মতেং পাংবগুম থোক্লে। হাকানি নেটৱার্ক মিলিটেন্টশিংনা অফঘানিষ্টান য়াওনা যুমলোন্নবা লৈবাকশিংদা মীৎয়েং থমদুনা এটেক কয়া চথুরি। হিরম অদুগী মতাংদা পাকিস্তান্না টেররিষ্টশিং শৌগৎপা তোক্লবা কয়ারক হন্না খঙহনখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

পাকিস্তান্না শৌগৎপা অফঘান তালিবানশিং অফঘানিষ্টান লৈঙাক্তা খ্বায়দগী চাওনা শীংনরকপা অমা ওইরি। পাকিস্তান তালিবানশিংগা অফঘান তালিবানশিংগা নক্লবা মরী লৈনৈ হায়রি।

সোমালিয়াগী কোনুং মোগাদিসুদা কার বোম পোকখায়বদা লান্মী অহুম শিরে, ১৪ শোক্লে

মোগাদিসু, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ

সোমালিয়াগী কোনুংদা কার বোম পোকখায়বদা লান্মী অহুম শিরে অদুগা অঙাং তরুক য়াওনা মীওই ১৪ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না সোমালিয়া বি বি সীনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

হাউল্ৱাদাং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অদুদা মপাঙ্গল লৈরবা কার বোম অদু পোকখায়রকপদা মনাক নকপদা লৈবা যুম কয়া অমাঙ অতা নংখি অদুগা মোস্ক অমগী যুমথক্কী শরুকশিং হুমদোকখ্রে হায়রি। পাউ অসিগী মতুংইন্না, লমদম অদুদা চহী তরাগী মমাংদগী অল-সাবা মিলিটেন্টশিংনা খুৎলিংদুনা লৈরক্লিবনি। মখোয়না মোগাদিসু য়াওনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা এটেক কয়া চথরকখিবা লৈখ্রে।

মশা শিজদুনা পোকখায়বা য়াবা মচাক থন্না য়াওবা কার অদু লৈঙাক্কী ওফিস লৈবা কম্পাউন্দ অমদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা লান্মীশিংনা থিংখি। তাল্লক অদুদা কার বোম অদু দিটোনেট তৌদুনা পোকখায়হল্লকপদা লান্মী অহুম মফম অদুমক্তদা শিখি হায়না লোকেল ওফিসল সলাহ হাসন ওমরনা ফোঙদোরক্লি।

পোকখায়বগী থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা কম্পাউন্দ অদুদা লৈখিবা রাকিয়া মহমদ আলি কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়না মহৌশাগুম ওফিসকী থবক তৌদুনা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা মপাঙ্গল লৈরবা বোম অদু পোকখায়রকখি। বোম পোকখায়বগী শাফু অদুনা মরম ওইরগা মহাক তুশিনখি লোয়নননা টেবল মখাদা লোৎখি। মখা তারকপা ওইনা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাখি।

ওফিস মনুংদগী থোক্লকপদা শোক্লবা মীওই কয়া লৈমায়দা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি লোয়নননা মীওই কয়ানা শিদুনা লৈরম্বা উখি হায়রি। কুমজা ১৯৯১ দগী হৌনা সোমালিয়াদা তংদু লৈতাদবা অমসুং ঈ-নাই তাবগী থৌদোক কয়া থোক্তুনা লাক্লি। লমদম অদুদা চহী তরা হেন্না সিভিল ৱার থোকপনা মরম ওইরগা মীচম কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। মীওই কয়ানা মরৈবাক থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি। লৈবাক অদু হৌজিক ৱার জোন অমগা মান্নবা ফিভমদা লৈরে। যু এননা কুমজা ২০১২ তা শেমখিবা সোমালিয়া লৈঙাক শৌগৎতুনা মিলিটেন্টশিং নমথনবা হোৎনরি।

অল সবাব মিলিটেন্টশিংনা সোমালিয়াগী সিটি কয়া খুদুম চন্দুনা লৈরি। সিটি কয়াদগী অল সবাবশিং তকথোকপা ঙমখ্রবসু খুঙ্গংগী শরুকশিংদা মপাঙ্গল কন্না লৈরি। অল সবাব মিলিটেন্টশিংনা মিলিটরি অমসুং মীচমশিংদা টার্গেট তৌদুনা বোম পোকখায়হনবা অমসুং নোংমৈ কাপশিনবগী থৌওং কয়া চথরকখি।

পাউগী লীখুন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, সুসাইদ কার বোম্বর অমনা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসতা থৌজিল্লকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা মওংদা ঙাক শেল্লিবা মফম অদুদা চঙশিল্লকপদা থিংননবা হোৎনখি। মিলিটেন্টশিং অদুনা মশা শিজদুনা কার বোম অদু পোকখায়হল্লকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লে। মমাং চহীগী ওক্তোবর থাদা পোকখায়বা য়াবা মচাক থন্না য়াওবা ত্রক অমা লৈবাক অদুগী কোনুং মোগাদিসুদা থৌজিল্লক্তুনা পোকখায়হল্লকখিবদা মীওই ৫০০ কী পুন্সি মাঙহনখি। থৌদোক অদুনা সোমালিয়াগী পুৱারিদা মী খ্বায়দগী হেন্না শিহনবা অমা ওইরি। এটেক অদুদা চেন্নবনি হায়বা অল সবাবকী মীওই অমা চহী অদুমক্কী ফেব্রুৱারি থাদা শিবগী চৈরাক পীখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা শোয়বদগী বসতা ষ্ট্রাইক চখিখিবনি হায়বা মরাল য়াজখ্রে

সানা, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী):

সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা য়েমেনগী অৱাং থংবা সাদা প্রোভিন্সতা চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ৯ দা মী পুবা বস অমদা শোয়বদগীএয়র ষ্ট্রাইক চথবদা অঙাং ৪০ য়াওনা মীওই৫১ শিহনখিবা থৌদোক অদু শোয়খিবনি হায়না মরাল য়াজখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা থোকপা চেরোল অমদা চুংশিন্নবা কাঙবুনা ষ্ট্রাইক অদুদা মাঙহন তাকহনখিবশিং অদুগী থৌদাং লৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, থৌদোক অদুগী মতাংদা চুংশিন্নবা কাঙবুগী ওইবা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথরি। হাওথি রিবেলশিংদা ষ্ট্রাইক চথনবা হোৎনবদা অশোয়বা অদু থোকখিবনি হায়রি।

লেফটিনেন্ট জেনরেল মন্সুর আলি মন্সুরনা জোইন্ট ইন্সিদেন্ট এসেসমেন্ট টিম অদু লুচিংদুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথখি। বস অদু হাওথি রিবেলশিংগী লুচিংবা অমসুং ফাইটরশিং পুবনি হায়না চিংনবদগী অতম্না বস অদুদা ষ্ট্রাইক চথখিবনি। সাউদি ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সীগী মতুংইন্না জোইন্ট ফোর্স কম্মান্দনা অশোয়বা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙ -দোকখ্রে। লোয়নননা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি। চুংশিন্নবা কাঙবুনা য়েমেন লৈঙাক্কা খুৎশম্নদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেন্সেসন পীবদা মতেং পাঙগনি লোয়নননা লমদম অদুদা চৎনরিবা কাঙলোনশিং য়েংশিনবদসু মতেং পাঙগনি হায়রি।

চুংশিন্নবা কাঙবুনা হায়, মখোয়না কৈদৌনুংদসু মীচমশিংদা তার্গেট তৌখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনদি চুংশিন্নবা কাঙবুনা য়েমেনদা লৈবা মীয়াম তিনফম মরুওইনা কৈথেল, স্কুল, হোস্পিটাল অমসুং মী লৈবা মফমশিংদা অতম্ননা এতেক চথৈ হায়না মরাল শীখ্রে।

চৎলিবা চয়োল অসি হৌরকপদা যু এননা য়েমেনদা ৱার ক্রাইম কয়া চথরে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। য়েমেনদা লৈরিবা রিবেলশিং, লৈঙাক অমসুং সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুশিংনা ৱার ক্রাইম কয়া চথরি হায়রি। য়েমেন লৈঙাক্তা চুংশিন্নবা কাঙবুনা শৌগৎতুনা লৈবাক অদুদা হৌরক্লিবা হাওথিশিংগী খোঙজং অদু নমথনবা হোৎনরি। চুংশিন্নবা কাঙবুনা মীচমশিং অশোক অপন নংহন্দনবা চেকশিন্না থবক পায়খৎলি হায়রি।

য়েমেনগী হিথাংফম সিটি হুদৈদা ষ্ট্রাইক চথরকপদা নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই ২২ গী পুন্সি মাঙহনখিবা লৈখ্রে। মমাং চয়োলদা চুংশিন্নবা কাঙবুগী এটেক্তা মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। কুমজা ২০১৫ গী অঙনবা শরুক্তগী লমদম অদুদা লৈবা মীওই চা কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি।

হাওথি রেবেলশিংনা লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবা শরুকশিং খুদুম চন্দুনা লৈরমখিবনি। অদুম ওইনমক নোংচুপ থংবা লৈবাক অদুগী শরুকশিং অদু হাওথি রেবেলশিংগী মখুত্তগী হন্দোকপা ঙমখ্রে হায়না য়েমেনগী প্রসিদেন্ট অবদ্রা বুহ মন্সুর হাদিনা ফোঙদোরক্লি। নাকল অমরোমদা, ইরান্না লমদম অদুদা প্রোক্সি ৱার চথরি হায়না মরাল শিরকপসু লৈ। ফিভম অদু য়েংলগা সাউদি অরাবিয়া য়াওনা আরবকী লৈবাক তরেৎনা খুৎ থিংজিন্দুনা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা লৈহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

দোনেটস্ক রিবেল জাখরচেনকোগী অরোয়বা মথৌ মঙম য়াওননবা মীওই লীশিং কয়া লম্বীদা থোক্লকখ্রে

দোনেটস্ক, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী):

বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা রুসিয়ানা শৌগৎপা যুক্রেনগী সেপরেটিষ্ট লুচিংবগী অরোয়বা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরমদা অৱাবা ফোঙদোক্লবগীদমক মীওই লীশিং কয়ানা যুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা থোক্লরকখ্রে।

অলেঞ্জেন্দর জাখেরচেনকো (৪২) দোনেটস্কতা লৈবা কেফে অমদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লৈখিদবনি। মহাক রুসিয়ানা শৌগৎপা খ্বায়দগী লিরবা লৈবাক অদুগী লুচিংবা অমনি। রুসিয়ান ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়, যুক্রেন্না বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকহন্দুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি। নাকল অমরোমদা, যুক্রেন লৈঙাক্লা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মখোয়গী খুৎ য়াওখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

সেপরেটিষ্ট লুচিংবা অলেঞ্জেন্দর জাখেরচেনকোগী মফমদা অরোয়বা ইকায়খুম্নবা উৎননবগীদমক মীওই লিশিং কয়ানা পরেং শানা লেপ্তুনা ঙায়নখি। লৈখিদ্রবা রিবেল লুচিংবা অদুগী মফমদা গার্দ ওফ ওনর পীদুনা ইকায়খুম্নখি। যুক্রেনগী মরুওইবা লুচিংবা অদু ইরাই নুমিত্তা চথরকখিবা এটেক অদুদা মহাক্কী বোদিগার্দ অমা য়াওনা কা হেন্না অশোক অপন নংখি। অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা মখোয় অনী লৈখিদ্রে অদুগা মীওই ১২ সু অশোক অপন নংখি হায়রি।

কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্ট থাদা কার বোম পোকখায়হন্দুনা লুচিংবা অদু হাৎননবা হোৎনরকখিবা লৈখি। মমাংদা চথরকখিবা এটেকশিংদা মহাক অনীরক হন্না অশোক অপন নংখিবা লৈখ্রে। দোনেটস্ক পীপলস রিপব্লিককী লুচিংবনি হায়বা অলেঞ্জেন্দর জারচেনকোদা নুপী অমনা লৈ পরেং হুপ্তুনা ঙরাং ইকায়খুম্নবা উৎখি। যুক্রেনদা হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়ানা মীৎয়েং চঙলক্লে।

সেপরেটিষ্ট লুচিংবা অদু লৈখিদ্রবা মতুং মালেমগী লৈবাক কয়ানা অকনবা মীৎয়েং চঙলি হায়রি। যুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা হৌজিক থোক্লিবা তংদু-লৈতাদবা ফিভম অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা পামদবা থৌদোক অদু থোকখি। কুমজা ২০১৪ গী এপ্রিল থাদগী হৌনা লৈবাক অদুগী পাক চাওরবা স্বাথ লমদমদা অকনবা ঈরাং হৌরকপনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা মায়োক্লদুনা লাকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ দগী ঙসি ফাওবদা যুক্রেন লৈঙাক অমসুং রিবেলশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীচম লিশিং কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। রুসিয়ানা রিবেলশিংদা অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলায় অমদি লান্মীগী ওইবা মতেং কয়া পাঙলে হায়না যুক্রেন লৈঙাক্লা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং মোস্কোনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। অদুম ওইনমক মোস্কোনা হায়, রিবেলশিং অদুদা ভলুন্টরি ওইনা মতেং পাংখিবদি লৈ হায়রি।

সিরিয়াগী মেজেহ মিলিটরি এয়রপোর্টতা চাউনা পোকখায়খ্রে

দামস্কস, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী):

সিরিয়াগী কোনুং দামস্কসকী মতায়দা লৈবা মেজেহ মিলিটরি এয়রপোর্টতা চাউনা পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রে। মিলিটরি এয়রপোর্ট অদুদা ঙসি থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু ইজরেলনা এয়র ষ্ট্রাইক চথরকখিবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু এয়রপোর্ট অদুগী দম্পসাইদ অমদা থোকখিবনি হায়না সানা ন্যুজ এজেন্সীনা রিপোর্ট তৌরক্লি। থৌদোক অদু ইলেক্ট্রিক লাইনদা অশোয়বা লৈবদগী থোকখিবনি হায়রি। ইজরেলনা সিরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথরকখিবা কয়া লৈখ্রে। মমাং চহীদা মাজেহ এয়রপোর্ট অদুদা ইজরেলনা তার্গেট তৌরকখিবসু লৈখ্রবনি। এয়রপোর্ট অদুদা সিরিয়ান এয়র ফোর্স ইন্টলিজেন্সকী ওফিসসু লৈরিবনি। ওবজর্বেটরিগী মতুংইন্নদি মেজেহ মিলিটরি এয়রপোর্ট অদুদা ইজরেলনা মিসাইল কাপশিনখিবনি হায়রি।

অমষ্টরদমদা থোকখিবা থাঙনা থিনবগী থৌদোক অদু অফঘানিষ্টান মচা অমনা চথখিবনি হায়বগী চিংনবা লৈরি

অমষ্টরদম, সেপ্টেম্বর ০২ :

অমষ্টরদমগী ময়াইথংবা রেলৱে ষ্টেসনদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা থাঙনা থিন্দুনা মীওই অনী শোকহনখিবা থৌদোক অদু অফঘানিষ্টান মচা অমনা টেররিষ্টকী ৱাখল্লোন অমদা চথখিবনি হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

দটচ মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবদা এটেক চথরকখিবা মীওই অদুগী মমীং জাৱিদ এস কৌই। মহাক পুলিসনা নোংমৈ কাপ্তুনা শোকহনবতা নত্তনা ফাবা ঙমখ্রে হায়রি। যু এস এম্বেসেদরনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা, অমষ্টরদম রেলৱেল ষ্টেসনদা অশোক অপন নংখিবা মীওই অনী অদু অমেরিকা মচাশিংনি হায়রি।

অমষ্টরদমদা নুমিৎ খুদিংগী মীওই ২,৫০,০০০ রোম লম কোয়বা লাক্লি হায়রি। শোক্লবা মীওই অনী অদু যু এসকী সিটিজনশিংনি হায়বা খঙবা ঙল্লে। মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংগা পাউ ফাওনরে হায়না পেটে হেক্সত্রানা ফোঙদোরক্লি।

অমষ্টরদম ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবদা, অফঘান মচানি চিংনবা মীওই অদুনা চথরকখিবা এটেক অদু টেররিষ্টকী ৱাখল্লোন য়াওখি। মহাক্লা মরম ইচা চাদনা থাঙনা থিন্দুনা মীওই অনী শোকহনখি।

জর্মন পুলিসনা চিংনবা মীওই অদুগী যুমদা থি হুম্বগী থবক চথখ্রে। পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম এজেন্স ফ্রাঞ্চ-প্রেসিনা পল্লদুনা ফোঙদোরকখিবা ফারবা অফঘানিষ্টান মচা অদুনা শোকহনখিবা মীওইশিং অদু মহাক মশানা কনা কনানো হায়বা খঙবা ঙমদে।

অকক্লনা মশক খঙদোক্লবা মীওই অমদা তার্গেট তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক্কী অকোয়বদা লৈরম্বা মীওই খরদা হেক্তমক এটেক চথখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিসনা এটেক চথরম্বা মীওই অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা ফাখি।

শোক্লবা মীওই অনী অমসুং এটেক্কর অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা রেলৱে ষ্টেসন অদুগী প্লেটফোর্ম অনী থিংজিনখি। লোয়নননা ত্রেন সর্ভিস কয়া কেন্সেল তৌখি হায়রি। সেন্ট্রেল রেলৱে ষ্টেসন অদুনা নুমিৎ খুদিংগী চাওরাক্লা মীওই লাখ ২.৫০ রোম চৎথোক চৎশিন তৌরি। মখোয় অয়াম্বনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংনি।

এটেক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং অদুসু অমেরিকাগী সিটিজনশিং ওইরমখি। লমকোয়বশিং শোকহনখিবা থৌদোক অদুবু লৈঙাক্লা হকচিন্না লৌবগা লোয়নননা থিগৎপগী থবক চথুরি হায়রি। শোক্লবা এটেক্কর অদুগী হকচাংগী ফিভম ফগৎলক্লবা মতুং মখা তানা ৱাহং পাউহং চথগনি হায়রি।

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্চখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. **9612225582**

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

HL-B/4802/20/8-19/09



ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ

অৱাবা ফোঙদোকচবা

তাং ৩১/০৮/২০১৮ ইং

মণিপুর নট সঙ্গীট আশ্রম কোংবা ধোবী লম্পাক্তা লৈবা কোলেজ অসিদা ওঝা ওইবীরম্বা **শ্রীতখেল্লম্বম ইবোতোম্বী সিংহ** কোংবা ধোবী লম্পাক্তা লৈবা ওঝা অসিনা হৌখিবা তাং ২৮/০৮/২০১৮ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদবদা কোলেজ অসিগী ওঝা গুরু, ছাত্র-ছাত্রী অমদি কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মীনিট ২ (অনী) লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি। কোলেজ অসি চাউখৎনবগীদমক মহাক্লা হোৎনবীরম্বা কয়াবু শীংথারদুনা কোলেজ অসিগী সেক্রেটরি এল তেজকুমারগী চেরোল অমনা লৈখিদ্রবা ওজা অসিবু ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

***Sd/-* Nat Sangkritan**
Kongba Dhobi Lampak
☎ **9863320585**

HL-P/2083/3

ꯀꯕꯤꯔꯥꯖ ꯑꯕ꯭ꯗꯨꯜ ꯍꯛꯄꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

কবিরাজ অব্দুল হকপু থাগৎচরি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা শৌজদগী খোং হাম্বদা ঈ য়াওবা, চাথৎলগা থুপ্পা শাবা, শৌজগী মনুং-মপান্দা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, খোং হাম্বা য়াদবা, কুইনা চঙবা, শা-ঙা চারগা হেনবা, শৌজদা শারি-শারি তৌবা, পুক য়াম নুংঙাইতবা, খ্বাং নাবা, গ্যাষ্টিক, চানিংবা পোক্তবা পুম্নমক অসি ঙসিদি ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অৱাংদা লায়েংবীরিবা ওজা অব্দুল হক, কন্টেক্ট নম্বর ৮০১৪৬২৩৭৫৬, ৯৩৮৩২১৪৭৪৭ কী হিদাক চাজবদগী হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে। পাইলস মপুং ফানা ফজরে। ওজাবু ঈশ্বরনা চানবীবা ওইসনু, মহাকপু থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা : **MOIRANGTHEM NOREN**
Moirang Bazar Awang

HL-P/5246/3

ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ

লাইশ্রম সুধাকরবু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোরগী) গী হিদাক নোংমখক চাবদা ঐগী য়েৎথংবা ঈশিং মরীদা লৈবা ৯ এম এম চাওবা নুঙ অদু তারক্লে। মসিগীদমক লাইশ্রম সুধাকরবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

L. Sudhakar

***Sd/-* Achom Kumar Singh**
Salam Mamang Leikai

HL-P/5306/3



IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR:
IMPHAL WEST (S) MAYANG IMPHAL
Ref:- Mut. Case No. 215/SDC/IW(S) of 2018.

Nongmaithem Anand Singh S/o N. Irabot Singh of Sekmaijin Thongam.
...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Thongam Gunamani Singh, Chairman Thongam G.P. Level.
...... *O.P.P*

[illegible]/NOTICE

Dated, the 30 August, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 37 Dag No. 93 গী 0.60 acres Ingkhol Class Village No. 71-Thongam অসিগী মনুংদগী 0.115 acre হায়রিবা লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা পেটিস্নরনা মহাক্কী ফংফম থোকপা শরুক্কি হায়দুনা মহাক্কী মমীংদা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারকপগী মতুংইন্না পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওৎশংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW(S), Mayang Imphal গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেশ মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (S), Mayang Imphal

HL-P/5320/2

[illegible]/ RECRUITMENT NOTICE

Application are invited from intended young dynamic, committed and qualified Candidate for the following post.

Sl. No.	*Name of Post*	*No. of Post*	*Sex*	*Qualification*	*Salary*
1.	Field Executive	14	M/F	XII and above	5000-above + Bonus

***Contact No. :* ☎ 7005096681**
***Date of interview :* 7/09/2018**
Last date of form submission : 5/9/2018

Interested candidate may kindly visited Office between 10.30 am to 2 pm.

***Sd/-* SECRETARY**
Care Society
***Head Office:* Sagolband Tera Lukram Leirak**
Imphal West

HL-P/5315/2,3,4

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা অমদি খোঙ হাম্বা মতমদা মনাংগা লোয়নরকপা, খোঙ হাম্বদা লিক্লা হাম্বা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাওঙল্লরোই

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা অমদি খোঙ হাম্বা মতমদা মনাংগা লোয়নরকপা, খোঙ হাম্বদা লিক্লা হাম্বা, অমাঙথোং ময়াদা মতুম মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা, থাও, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাঙথোংগী মনাক্তা চাওথোক্লকপা মতুম অদু হেন্না চাওখৎলকপা অমদি য়াম্না চিকপা নাবা, ফম্বা ঙমদবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক মনুংদা প্রিক প্রিক শৌরগা পুক খোংবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চান্বদা অমাঙথোংদা থুপ্পা শাবা, তাং তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, য়াঙলেন শরু নাবা, তুম্বা য়াদবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবা : **KH. ABUNG**
Khurai

HL-P/2041/3